**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 11-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং থি হুন্বগী থবক চথবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মাউরিসিয়সকী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ অমসুং লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাং মন্ত্রালয়না ইং ২০২৪-২৫ গী মেজর এগ্রিকলচরেল ক্রোপকী অনিসুবা এদভান্স ইষ্টিমেট থাদোকখ্রে।

------

পুলিস (এল) ঃ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং থি হুন্বগী থবক চথবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ৱাংঙু শাবল লৈকাইদা জিলা অসিগী পুলিস কম্মান্দো, বি.এস.এফ অমসুং কুম্বি পুলিস ষ্টেসনগী অপুনবা কাংবুনা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা কে.ৱাই.কে.এলগী কাদর অনি ফাগৎপা ঙমখ্রে। মখোয় মীয়ামদগী নমদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীওইশিংনি। মখোয়দগী মোবাইল ফোন অনি

আধার কার্দ অমা ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা মীওই অনি অদু মখোয়দগী ফাগৎখিবা পোৎলমশিংগা লোয়ননা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা কুম্বী পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

ককচিং জিলাগী ৱাবগাই মখা লৈকাই হৈবোং মখোঙগী মফমশিংদা ৩৩ শুবা অসাম রাইফলস অমসুং ককচিং পুলিস কম্মান্দোশিংনা থিবা হুম্বগী থবক চখবদা কে.সি.পি (তাইবং ঙানবা)গী গ্রুপকী মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে। মঙোনদগী মোবাইল ফোন অমা ফাগৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা মখা তানা থিজিন্নবা হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে।

অমরোমদা, ককচিং পুলিস কম্মান্দোনা ককচিং জিলাগী ৱাংঙু চাইরেল লৈঙাংতাবীদগী প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অমা ফাগৎখ্রে। মীওই অসি ককচিং অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী মফমশিংদগী মীচম মীয়ামদগী নমদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীওইনি। মঙোনদগী শেল ওইনা লুপা লিশিং ১, মোবাইল ফোন ১ ফাগৎপা ঙমখি। মখা তানা থিজিন্নবা কুম্বি পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে।

ফ্লেগ (এল) ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী কম্মান্দো, সি.আর.পি.এফকী ৮ সুবা বত্তাল্লিয়ন, ৫ শুবা শিখ রেজিমেন্ট অমসুং রাফ চোথেগী পার্সোনেলশিংনা পুন্না ফ্লেগ মার্চ পাঙথোকখ্রে। ঙরাং নুমিদাংৱাইরম বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং বজারদগী হৌদুনা ফ্লেগ মার্চ অদু নিংথৌখোং খা অমসুং নিংথৌখোং খা মমাং ৱার্দ নম্বর ফোর, সিক্স, সভেন অমসুং টেনগী মফমশিংদা চৎখি।

বিরেন (এল) ঃ রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংগী হেদক্বাটরশিংদা কনক্রিত রোড শেম্বগী থবক কন্না চংশিল্লি হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- মমাংদা সরকারনা থমখিবা ৱাফমশিং মখা তানা থবক্তা ওন্থোকবা মরী লৈনবশিং হোৎনরি। কনক্রিত রোড শেম্বগী থবক অসি রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংগী হেদক্বাটরগী লম্বীশিংদা পায়খৎলি।

হোমগার্দ (এল) ঃ মণিপুর হাই কোর্টনা অসাম পুলিস মেন্যুএল নত্রগা পুলিস এক্ট ১৮৬১ গুমা মণিপুর পুলিসকী ওইবা তোখায়বা বিল নত্রগা এক্ট শেম বা সরকারগী মরী লৈনবশিংনা লৌখৎপা থবকশিং কাউন্তর এফিদেভিৎ অমদা খঙহল্লকবা চয়োল অহুমগী মতম পীখ্রে।

মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট য়াংলেম মঙ্গিনা থাখিবা ৱাকৎ অমগা মরী লৈননা থা অসিগী ৬ তা চখিবা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এ. গুনেশ্বরনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা রাই তাখ্রে। কোর্টনা পীখিবা রাই অসি পল্লদুনা এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টনা হায়- ৱাকৎ অসি মপুংওইনা রাজ্য পুলিসকী ওইবা থবক থৌরমশিং হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা থাংগৎখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা ভারতকী অৱাংবা থাক্কী ৱায়েল লোইশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনসু ইং ২০০৬ তা রাজ্য অসিগী তোঙানবা পুলিসকী এক্ট থমবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনবা লৈখ্রে।

রিদম (এল) ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শগোলবন্দ তেরা লুক্রাম লৈরক্তা লৈবা প্রোমিজিং একাদমিদা দিমোষ্ট্রেসন ওন ম্যুজিক এট ইজ্‌কেসনেল ইন্সটিট্যুসন হায়বসিদা ঙরাং লেকচর পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু রিদমস ওফ মণিপুরনা শিন দুনা পাঙথোকখিবনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মাউরিসিয়সকী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। প্রধান মন্ত্রিনা হয়েং পাঙথোক্কদবা মাওরিসিয়সকী নেসনেল ডে থৌরমদা সভাপতি ওইনা শরুক য়াগনি।

প্রধান মন্ত্রিগী মাউরিসিয়সকী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ মনুংদা লৈবাক অদুগী প্রধান মন্ত্রিগা লোয়ননা সিভিল সার্ভিস কলেজ অমসুং হেলথ সেন্তর য়াওনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি। প্রোজেক্টশিং অসি ভারতকী শেন্থুং মখাদা পায়খৎপনি।

মাউরিসিয়সতা লৈবা ভারতকী হায় কম্মিস্নর অনুরাক শ্রীবাস্তভানা অকাশবানিদা হায়-ভারত অমসুং মাউরিসিয়স অনিগী মরক্তা অফবা মরি লৈরি। প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরি অসি হেন্না চেৎশিলহল্লগনি।

এগ্রি ঃ কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ অমসুং লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাং মন্ত্রালয়না ইং ২০২৪-২৫ গী মেজর এগ্রিকলচরেল ক্রোপকী অনিসুবা এদভান্স ইষ্টিমেট থাদোকখ্রে। মসিদা খারিফকী পোখোক অসি চাউরাকা মেত্রিক টন লাখ ৬৬৪ ওইরি। অদুগা রবিগীনা মেত্রিক টন লাখ ৬৪৫ ওইরি।

মেজর ক্রোপকী দেটা ফোংলদুনা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ অমসুং লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাং মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা কেন্দ্র সরকারনা লৌউ শিংউগী লমদা হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা লেপ্পা লৈতনা থবক তৌরি। লৌউ শিংউ মন্ত্রালয়না লৌমীশিংদা লৌউ শিংউগী পোখোকশিং হেনগৎহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়াগী মখাদা খুদোংচাবা কয়া পীরি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি বথিনদাদা লৈবা এইমস অমসুং পঞ্জাবকী সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিতিগী কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়াগনি। ত্ংদা রাষ্ট্রপতিনা পঞ্জাব সরকারনা য়ুম্বু ওইদুনা মুহালিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়াগনি।

রাষ্ট্রপতিনা ঙরাং হরিয়ানাগী হিসারদা লৈবা গুরু জম্বেশ্বর য়ুনিভর্সিতিগী কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা হায়- মহৈরোইশিংনা মশা মশাগী থবক থিবা মীওই ওইবগী মহুৎতা মীয়ামদা থবক পীবা ঙম্বা মীওই অমমম ওইনবা হোৎনশি।

শ্রীমতি মুরমুনা ব্রহমকুমারিশিংগী গোল্ডন জ্বিলি থৌরমদা রাজ্য থাক্কী কেম্পেইন স্পিরিচ্যুএল ইদ্যুকেসন ফোর হোলিস্তিক ৱেলবিয়িংসু হৌদোকখি।

ক্রিকেট ঃ  ৱিমেন্স প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটতা ঙরাং নুমিদাং মুম্বাইদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা গুজরাত জাইন্টসপু রন ৯ দা থোইখ্রে। মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা হান্না বেত্তিং তৌবদা রন ১৭৯ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা গুজরাত জাইন্টস রন ১৭০ খক লৌবা ঙমখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না মণিপুরগী বজেৎ পুথোকখিবা, অমিত সাহগী ফ্রি মুভমেন্টতা অপনবা কয়া লৈবদগী গাড়ি কয়া পনদুনা লৈবগী পাউ অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা রাজ্যপালনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

টোটেল সটদাউন তোক্লে হায়রুরগা তোক্ত্রে, সেনাপতিদসু জিরিবামদসু গাড়ি ময়াম পল্লি, হকচাং লৌদ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

লমদমসিগী শেনমিৎলোন হেনগৎহন্নবা হোৎনবা দরকার ওই- গভর্নর হায়বা পাউ অমসু পোকফম পাউচেগী এনকর কলমদা ফোংলি। পাউ অসিমক তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পিপলস ক্রোনিকল পাউচেগী এনকর কলমদা ফোংলি।

ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিতারমন্না মণিপুরগী বজেৎ পুথোকখিবগী পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদা পার্লিয়ামেন্টতা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা মণিপুরগী বজেৎ পুথোকখ্রে, লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী অহেনবা শেনফম য়াওদ্রে হায়না ফোংলি।

পাউ অসি মোর্নিং বেল য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

এম.য়ুগী জ়্লোজি দিপার্টমেন্টকী রিছার্স স্কোলারশিংনা ওন্তরপ্রেন্যুসিপলোমদা মায় ওনশিনবীয়ু- গভর্নর হায়বা পাউ অমা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

এম.ঐচ.আর.সি মথৌ তৌদনা লৈরিঙৈ লাখ ৫৩ লৌথোক্লল্লে, ৱাথোক অসি থিগৎপীনবা ভিজিলেন্সতা ৱাকৎখ্রে হায়বা পাউ সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কবো ভেল্লি মণিপুরদা অমুক হঞ্জিনহল্লু নত্রগা পনদুনা লৈরিবা কম্পেপন্সেসন ষ্টেটতা পীহল্লু হায়না এম.পি. সনাজাউবনা পার্লিয়ামেন্টতা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ ঈচেল এক্সপ্রেস পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পেসেঞ্জর বস য়াওনা গাড়ি ৩০০ হেন্না সেনাপতিদা পনদুনা লৈরি, ত্রক এসোসিয়েসন্না ঈশিং য়েন্থোকখ্রে হায়বা পাউ হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গভর্নর আজয় কুমার ভল্লানা মাসির হেটচরি এন্দ ফ্রেস ৱাটর টেকোলোজি এন্দ সষ্টেনেবল এক্বাকলচর লেব মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী জ়্লোজি দিপার্টমেন্টতা হৌদোকখিবগী পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

এন.পি.পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট য়ুমাম জয়কুমারনা ফ্রি মুভমেন্ট কুকিশিংনা য়াহল্লু হায়না আপীল তৌখিবগী পাউসু গানফিউ মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইম্মরজেন্সি সটদাউন চুরাচান্দপুরদা মপুং ফাখি হায়বা পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ৱিমেন্স ডে পালন থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউসু মণিপুর মেল পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------